# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 17, 2020 PAGE 7**




*খেলো ইন্দিয়া য়ূথ গেমসকী ৱেঠলিফটিংগী চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী কেজি ৪০গী গোল্ড লৌদুনা টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রবী মহারাষ্ট্রগী সৌমিয়া দালভি*

*এবদোমেনগী অনাবনা মরম ওইরগা ওস্ট্রেলিয়ান ওপন্দগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা ওস্ট্রেলিয়াগী ষ্টার টেন্নিস শান্নরোই এলেক্স দি মিনোর*



## চেন্নাইন এফ সিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী তরুকশুবদা হাইগৎখ্রে



*হায়দ্রবাদ, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) কী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু টিম চেন্নাইন এফ সিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী ৬শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ ১০ দা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা মেটচ ৬ মায় পাকপা ঙমখি অদুগা চেন্নাইননা মেটচ ২ খক মায় পাক্লগা মেটচ অনীনা দ্রো চৎতুনা মমাঙগী রেকোর্দ য়েংনরুবদা নোর্থ ইষ্টনা মেটচ অসি থোইবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈখিবনি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোইশিংনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইনগী গোল এরিয়াদা এটেক কয়া তৌদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোইশিংগী এটেকশিং অদু চেন্নাইনগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী গোল একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লাকখি।

খুদোংচাবা ফংবগা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনসু গোল ওন্থোকপা তাঞ্জা খরা ফংখ্রবসু অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু ভিজিটর টিম ওইখিবা নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুমক চত্থদুনা লাকখি। নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমনগী মহৈ ফংবা ঙমদ্রিঙৈদা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ডগী ওইথংবা মায়কৈদগী পুশিনখিবা বোল অমা টিম অসিগী শান্নরোই রাফেল ক্রিভেল্লারোনা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

চেন্নাইননা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনিট ২ লৈরগা টিম অসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নোর্থ ইষ্টকী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্লবা বোল অমা চেন্নাইনগী শান্নরোই নেরিজস ভালস্কিসনা ফংখি। বোল অনী মহাক্না হৈ–শিংনা কেরি তৌরগা নোর্থ ইষ্টকী গোলকিপর সুবাসিস রোয়বু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা মুম্বাই এফ সি অমসুং বেঙ্গালরু এফ সি শান্নরগনি।

## সৌমিয়া দালভিনা ৱেঠলিফটিং টাইটল দিফেন্দ তৌখ্রে

*গুৱাহাটি, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা চত্থরিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ূথ গেমসতা মহারাষ্ট্রগী এঠলেট সৌমিয়া দালভিনা মহাক্কী ৱেঠলিফটিগী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীদা পুনেদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমসকী ইদিসন্দা মহারাষ্ট্রগী এঠলেট সৌমিয়া দালভিনা নুপীমচাগী কেজি ৪০গী কাঙলূপ্তা পুন্না কেজি ১১৩ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৪০গী নুপীমচাগী ৱেঠলিফটিং কম্পিটিসন্দা মহারাষ্ট্রগী এঠলেট সৌমিয়া দালভিনা পুন্না কেজি ১১৬ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখি। মহাক্কী টিমমেট আরতি টাটগুন্টিনা সিলভর মেডল ফংখি।

গেমস অসিগী চী ২১ মখা নুপীমচাগী মিটর ৪০০০ গী টিম পরস্যুট সাইক্লিংদা কর্নাতকাগী দানাম্মা চিচাখা, সাহানা কুদিগানুর, কিরথি রামাস্বামী, মেঘনা গুগাদনা ৫ঃ৩৮.২৯৮ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী মিটর ১০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা হরিয়ানাগী সিভ নরৱালনা পোইন্ট ২৪৩.২ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

## ধোনি বি সি সি আইগী সেন্ট্রেল কোন্ট্রেক্ট লিষ্টতগী লৌথোকখ্রে, মীথালি বি গ্রেদতা হন্থখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*



ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা এম এস ধোনি বি সি সি আইগী সেন্ট্রেল কোন্ট্রেক্ট লিষ্টতগী লৌথোকখ্রে, লৈবাক অসিগী নুপীগী ও দি আই টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা গ্রেদ বি দা দিমোট তৌখ্রে।

এম এস ধোনি মমাঙ চহীগী বি সি সি আইগী এনুয়েল রিটেন্নর্সকী লিষ্টকী এ কেটেগোরিদা য়াওখিবনি। মহাক্না লোয়ননা চিটেশ্বর পুজারা, অজিনক্য রহানে, রবিচন্দ্রন আস্বিন অমসুং রভিন্দ্র জাদেজাবু এ কেটেগোরিদা য়াওবা ঙমখিবনি।

ধোনি মেটচ শান্নরক্তঃবা থা ৬ শুরকখ্রে। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম ন্যু জিলেন্দগী মখূত্তা মায়থিখিবা অদুদগী ধোনি বি সি সি আইগী এনুয়েল রিটেন্নর্স লিষ্টতগী লৌথোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মনা মমাঙদা চহীদা পীখিবা ফজবা পার্ফোমেন্সনা এ প্লস কেটেগোরিদা য়াওবা ঙন্নি। মহাক্না ২০১৯ দা সেঞ্চুরি ১০ লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না লোয়ননা এ প্লস কেটেগোরিদা য়াওরিবশিং অদুদি কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং জস্প্রিট বুমরাহনি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী ও দি আইগী কেপ্টেন বি সি সি আইগী সেন্ট্রেল কোন্ট্রেক্ট লিষ্ট অসিদা হান্না গ্রেদ এ দা লৈরম্বদগী গ্রেদ বি দা দিমোট তৌখ্রে। মশাগী চহী ৩৭ শুরবী মীথালি রাজ মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা টি–২০ মশান্নদগী পোথাখ্রবনি।

টি–২০ গী স্কিপ্পর হর্মনপ্রিত কোর এ কেটেগোরিগী কোন্ট্রেক্ট লিষ্টতা রিটেন তৌবা ঙমখি। মহাক্না লোয়ননা এ গ্রেদতা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি স্মৃতি মন্ধনা অমসুং পুনম যাদবনি।

নুপীগী বি গ্রেদতা লৈরিবা শান্নরোইশিং অদুদি মীথালি রাজ, ঝুলন গোশ্বামী, ইক্তা ভিষ্ট, রাধা যাদব, তানিয়া ভাটিয়া, সিখা পান্দে, জেমীমাহ রোদ্রিগ্বেজ অমসুং দিপ্তি শর্ম্মনি। অদুগা নুপীগী সি গ্রেদতা শান্নরোই ১১ লৈরি।

## মোহন বগান অমসুং এ টি কে মর্জ তৌখ্রে

*কোলকটা, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

হেরো আই লীগকী ক্লব মোহন বগান অমসুং ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব এটলেটিকো দি কোলকটা (এ টি কে) পুন্না মর্জ তৌদুনা আর পি এস জি গ্রুপ হায়না মমিং থোনখ্রে। নৌনা মমিং থোনখ্রবা আর পি এস জি গ্রুপ মথং সিজনগী ইন্দিয়ান সুপর লীগতা শরুক য়ারগনি।

মোহন বগান অমসুং এ টি কেনা পুল্লগা শেমখিবা আর পি এস জি গ্রুপ চহী অসিগী জুন ১দগী লৈহৌদুনা ২০২০–১০ ইন্দিয়ান সুপর লীগতা শরুক য়ারগনি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসনশিংদসু শরুক য়ারগনি।

ক্লব অনী পুনবগী লাওথোকখিবদা শরুক য়াখিবা মোহন বগানগী চীয়রমেন স্বাপন সাধন বোসনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা ক্লব অসিবু য়াম্না মপাঙ্গল কলহন্নবগী পান্দমদা ক্লব অনী অসি পুনশিনখিবনি। আর পি এস জি গ্রুপ অসিগী জর্সি মেরুন অমসুং গ্রিন পুন্দুনা চহী ১৩০ শুরবা ট্রেদিসন অদু মখা তানা চত্থগনি।

ক্লব অনী পুনখিবা অসিনা মরম ওইরগা মোহন বগান এটলেটিক ক্লবনা হোম মেটচশিংগী টিকেট য়োনবু লেপ্পগনি হায়রি।

## রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেব এদিলেদ ইন্টরনেসনেলগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*এদিলেদ, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

রুশিয়াগী শান্নরোই এন্দ্রি রুব্লেব ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি এদিলেদতা চত্থরিবা এদিলেট ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বৃটেনগী দি ইভান্সপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ কানাদাগী ওগর এলিয়াসিমেগা লম্বা তৌনরগনি।

কানাদাগী ওগর এলিয়াসিমেনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এ বোল্টপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা য়ু এসকী টি পোল অমদি সাউথ অফ্রিকাগী এল হরিস লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ অফ্রিকাগী এল হরিসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ স্পেনগী কারেনো বুষ্টাবু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা য়ু এসকী টি পোলনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসপু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমদি য়ুক্রেনগী য়াষ্ট্রেমস্কা শান্নরগনি।

৬শুবা সিদেদ বেলারসকী সবালেনকানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা য়ুক্রেনগী য়াষ্ট্রেমস্কানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিকপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

## পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সতা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে

*জাকর্টা, জনুৱারি ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি জাকর্টাদা শান্নরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সিদিংফংদনা শরুক য়ারকখিবী জপানগী সায়াকা টাকাহসিগী মখূত্তা গেম ১–২ দা মায়থিহৌবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নগী মিংথোল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদগী হৌরগা জপানগী শান্নরোই টাকাহসিনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

মখা তানা শান্নরকখিবা গেম অনীদা জপানগী সায়াকা টকাহসিনা ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু ২১–১৬, ২১–১৯ দা থোইবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী সিন্ধু মায়থিহৌখি অদুগা জপানগী টকাহসি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপানগী টকাহসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাংগা লম্বা তৌনরগনি। চাইনাগী ৱাংনা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ১৭–২১, ২১–১১, ২৬–২৪ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারাসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা রিও ওলেম্পিক্স চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগী মখূত্তা ১৩–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌখি।

৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই ওংবামরুংফানবু ২১–১৬, ২২–২০ দা থোইদুনা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ কানাদাগী মিচেল লিগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেন্না ইন্দোনেসিয়াগী রুষ্টাভিটোবু ২১–১৭, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝাওগা শান্নরগনি। ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিসু চাইনিজ তাইপৈগী ৱাংবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।


**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

NOTIFICATION

Imphal, the 16th January, 2020

No.2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for general information to all the concerned that the phase-wise Group Discussion Session for the appointed examiners of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 in connection with techniques of evaluation of answer scripts is started from the 16th to 18th January, 2020 at the Council office, Babupara, Imphal West.

All the concerned **Head, Assistant Head, Supervising Examiners** and appointed **Examiners** are requested to attend the Group Discussion on scheduled date in time.

Sd/-
Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

SL/B/17


### ক্রোসৱার্দ ৪০১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | I | S | T | | M | A | S | T | | D | E | S | I | S |
| A | N | T | E | | U | L | N | A | | A | T | E | S | T |
| S | T | E | M | | I | M | A | M | | D | O | N | O | R |
| C | O | P | P | E | R | A | G | E | | | N | O | T | E |
| O | N | I | O | N | | | | R | E | P | | R | O | N |
| T | E | N | | T | U | B | E | | D | A | R | I | N | G |
| | | | S | A | P | O | R | | I | G | O | T | I | T |
| C | A | S | T | I | R | O | N | S | T | O | M | A | C | H |
| A | L | K | A | L | I | | S | L | O | P | E | | | |
| S | P | I | N | E | S | | T | A | R | A | | I | D | S |
| H | A | P | | D | E | A | | | | G | E | N | R | E |
| E | C | O | L | | | T | E | F | L | O | N | D | O | N |
| S | I | L | O | S | | A | Q | U | A | | T | I | P | S |
| I | N | E | P | T | | L | U | L | L | | E | R | I | E |
| N | O | S | E | S | | L | I | L | A | | R | A | N | D |




"8th"
Birthday
on
"17th Jan 2020"

May all your dreams come true
Happy Birthday to
Salam Joyhenba Luwang

Love from,
Pupu, Bobok, Mama,
Papa, Cheche and Tomtom

SL/5732/17

ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯄ꯭ꯔꯦꯁ

**M/S IMPHAL PRESS**

*Screen Printing & Rubber Stamps Works*

*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
*Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI*

**Lengsinbirakshi**

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোং চাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

**M/S IMPHAL PRESS**
*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
Phone No. 9774220295 / 9366285239

SL/5683/6+15 days

**MEIKLEY** International School

ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN

HURRY UP



Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)

Classes Pre-Nursery to Class III

2020-2021

Class Starts from 23RD Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial : 8787880819 9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

SL/5669/3+15 days

**F O C U S**

**The Conceptual study Circle**

**Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road**

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days